থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# হিংবা অমসুং হিংমিন্নবা

এ পি জে অব্দুল কলাম, ইন্দিয়াগী ১১শুবা প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরম্বা, লৈখিদ্রবা সাইন্টিষ্ট! মহাকপু ঐনা থোইদোক হেন্দোকপা, মী মরক্তগী অথোইবা অমা ওইনা থম্মোয়নুংদা ঈরাৎচবগী মরম কয়া লৈ। অদুবু, ঙসি ঐনা তমগে, ইগে খল্লুরিবা পাউদম অসিদি মহাক্কী মরমদা নত্তে। মানা হায়খিবা ৱা অমখক্লা ৱাহৌ ওইগে খল্লুবনি, খুদোংচাবা লৌদুনা মাগী মরমদা ৱাহৈ খরা হায়নীংলুবনি। এরোস্পেস ইঞ্জিনিয়রিং তম্লুরগা চহী নিফুরোম সাইন্টিষ্ট অমদি সাইন্স এদমিনিষ্ট্রেটর অমা ওইনা পুন্সি লেনখি। দিফেন্স রিসার্ছ এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন অমসুং ইন্দিয়ন স্পেস রিসার্ছ ওর্গনাইজেসনগী এদমিনিষ্ট্রেটর ওইরিঙৈদা স্পেস প্রোগ্রাম অমদি মিলিটরি দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম কয়াদা মহাক্লা পীরম্বা খুদোলদুগী য়েংলগা, মহাকপু 'মিসাইল মেন ওফ ইন্দিয়া' হায়নফাওবা মিংগৌনখ্রিবনি। মঙোন্দা, মতমদুদা হংখি, 'করিগীনো নঙনা মীওইবগী মাঙ-তাক্লবা খুৎলায় শাবদা থৱায় অদুক য়াওরিবা? মহাক্লা খুমখি, 'অকনবা মী ওইরবতদা অতোপ্পা অকনবা অমনা ঈকায়খুম্নগনি'।

চুম্মি! কলামগী ৱাফম অসি, মীওইবগীতা নত্তবা পুন্সি কৌবা অমা শাগোন্নরিবা থৱায়পানবা খুদিংমক্কী ওইনা চুম্বা ৱাফম অমনি। 'মান্নবা উচেকশিংনা খুৎপু শেল্লগা পাইমিন্নে' - (বার্দস ওফ দ সেম ফিদর ফ্লোক তুগেদর) হায়বা পাউরৌ অমা শেল্লল্লিবসিনি। নোংশাগা শজীগা কৈদৌনুংদা মরুপ ওইবই মরী লৈনবা য়ারোই। অকনবগা-অকনবগা, অশোনবগা-অশোনবগা .... ইনাক খুনবগা-ইনাক খুনবগা, লায়রবগা-লায়রবগা খুৎপু শেল্লগা তিন্নবা মমাংঙৈদই চৎনরকই। অচৌবগা-মচাগা লৈনবা মরীদা মচাগী ভেল্যু, মরীদুদা কৈদৌঙৈদসু তিনশিন্দে। মরম অসিদগীনি 'পার্টনরসিপ' হায়বসি মান্ন-মান্নবা মী মশেন পুনশিন্নরগতা শেল্লিবা। ইনাকখুনবা, শক্তি লৈবা কনাগুম্বা অমনা নত্রগা খরনা লৌশিং লৈবা, লায়রবা অমগা কৈদৌঙৈদা 'পার্টনরসিপ' ওইনা থবক তৌমীন্নদুনা লায়রবদু চিংখৎপগী ৱাখল খল্লক্লোই। থৌওং অসি ঙসি ঙরাংখক্তদগী নত্তে চৎনরক্লিবা। চানক্য'নসু মাগী 'অর্থসাস্ত্র'দা হায়রম্মী 'লেঙ মান্নবা অমনা মহাক্কা মান্নবা অমদা মতেং পাংবা, মীওইবগী লীচৎনি'। মহাক্কী 'অর্থসাস্ত্র'দা লেং-মান্নবা (ঈক্কেল) হায়বসি 'মিত্র' (মরুপ) হায়বসিনা মহুৎ শিন্দুনা শীজিন্নে। মরম অসিনা, মহাক্লা হায়, মান্নবা মশেন (মিত্র) হায়সিনা মহুৎ শীন্দুনা শীজিন্নে। মরম অসিনা, মহাক্লা হায়, মান্নবা মশেন (মিত্র) হায়বসিদি অমনা অমগী মতেঙ শোয়দনা পাঙনগদবনি, অমনা অমদা মতেঙ নিবা/নিদবগী ৱা থিদনা।

কৌতিল্য (চানক্য)গী 'অর্থসাস্ত্র'গী ইথিল সুপয়ৌ য়ৌরক্ত্রিঙৈ, 'অর্থসাস্ত্র' করিনো খঙদ্রিঙৈ, মণিপুর কৌবা লমসিগী মৈতৈ হায়বা ফুরুপসিনা খুন্দাবা খুন্নাই মচা-মচাশিংদা 'মরুপ' হায়না মিংথোনবা, লন্নাই মীওই (ইন্দিভিজ্যুএল) খরনা অকক্লবা শেনখায় অমা থা-থাগী খায়গৎনরগা মথঙ-মনাও (টর্ন নাইনা) অচৌবা শেনফম অমা মেম্বরশিংদুদা ফংহনবগী মওং (সিষ্টেম) অমা শেমগৎলম্বা অসিমসু মান্নবা মশেল মরক্তা অমনা অমদা মতেঙ পীনদুনা ইকনমিক এক্টিভিটি চাওখৎহন্নবা হোৎনরম্বগী মোদেল অমনি। পীকপগীসু পীক্লা, অচৌবশিংগীসু চাওনা, লেংমান্নবশিংগী মরক্তা ইকনমিক সপোর্ট পীনবগী সিষ্টেম অসিমদি অচৌবা অনওর্গনাইজদ ইন্সটিট্যুসন অমনি। কৈথেল ময়োন্দগী হৌরগা খুঙ্গং খুনয়া, কাচিন-কোয়া শীনবা থুংনা শন্দোকখ্রবা মিনি ফাইনান্সল ইন্সটিট্যুসনশিং অসি করিগুম্বা লৈঙাক্কী অখন্নবা থৌশিল অমগী মখাদা, ওর্গনাইজ-সেক্টরদা পুশিল্লকপা ঙম্লবদি ষ্টেটসিগী ওইনা কান্নরবা 'ইকনমিক টুল' অমা শোয়দনমক্কী ওইগনি।

পোলিটিসিয়ন ওইরো, বিজিনেসমেনবু ওইরো মান্নবা মশেন মরক্তা পার্টনরসিপ শেমদুনা থবক তৌমীন্নবগী কান্নবা মখল অহুমনি। অহানবদা অমনা অমবু মশক মুন্না খঙনবা, বেত্তর অন্দরষ্টেন্দিং। ইমপ্লোয়ি ২০০ লৈবা কম্পেনি অমগী মেনেজিং দিরেক্টর অদুনা অতোপ্পা ইমপ্লোয়ি ২০০ লৈবা কম্পেনি অমগী জেনরেল মেনেজরদুগী প্রোব্লেম নীংথিনা খঙগনি। পি ঐচ দি দিগ্রী তান্নরিবা মহৈরোয় অমনা, মহাক্কুম্বা পি ঐচ দি ষ্টুদেন্ট অমগী অৱাবসু খঙগনি। এম এল এ ১০০ লৈবা এসেমব্লী অমদা কনানসু মেজোরিতি ওইদদুনা হঙ-এসেমব্লী তারবদা সিট ৩৫ কাবা পার্টিদুগা ৫ কাবা, ৬ কাবা, ২ কাবা পার্টি খরগা পুনশিন্নদুনা গভর্ণমেন্ট শেম্লবদি মান্নবা মশেন পুল্লপ শেম্বা কোলিএসন পার্টনরসিপ ওইদ্রেদন! অচৌবদুনা মচাদুবু উশিৎপদি হৌনরিব্রা? মণিপুরদা থোক্লিবসিমক্লি। অনীশুবদা, পুক্লিং তিন্নবা (লাইক-মাইন্দেদ), ৱাখল মান্নদবা (দিফরেন্ট থোট) অনী নত্রগা অহুম্না অমত্তা ওইরকপগী অঙকপা। চপ মান্নবা পোজিসন অমসুং ষ্টেটস'তা লৈবা মীওই অনীনা পুন্না থবক তৌমীন্নরকপা হায়বসি মতম চুপ্পদা অমগীসু অমগীসু কান্নবদুতা ওইগনি। অশোনবা অনী পুনখ্রবা অকনবা অমদুগী ৱাখলদা সাইকোলোজিকল ইম্পেক্ট অমা শোয়দনমক্কী পীগনি। মহাভারত লানফমদা চাউরবা কৌরব তেঙ্গোল মায়থীখিবা, পান্দবশিংগী মায়কৈদা লাল্লোং, লানজঙ, পাঙ্গল, লৌশিং চাং মান্নবা লাল্লোয় হেন্না য়াওখিবননি। লান্দা কান্নফম খঙলোইদবা য়াম্লবা লান্মী তেঙ্গোল, কৃষ্ণনা মাগী মহুৎ থাজিনখিবগী মতাঙ নীংশিংবীয়ু। অহুমশুবা কান্নবা, পুন্না চাওখৎমিন্নবা। মীওইবা হায়বা থৱায় পানবা জীবা অসিদি নায়তোম হিংবা হৈতবা, পুন্না হিংমিন্নবা খুন্নায় অদুদা লৈতনা মদোম হিংবা ঙমদবনি। ইনাক খুনবা অমেরিকান অমনা মতম অমদা হায়খিবদু নীংশিংই... 'আহ! ঐনা অঙাং ওইরিঙৈ, লায়রবা ইমা-ইপাগী মীৎয়েংখাদা লৈরিঙৈ, নুংশিরবা মরুপ মপাঙশিংগী মরক্তা কয়াদা নুংঙাইবা পুন্সি অমা লেঞ্জরম্বা!... ঙসি, ইনাক খুনবা, মীনা কল্লক্লবা পুন্সি অমা লেল্লম্লবা তুংশিদদি, মরুপ মপাঙ অমত্তা ইনাকসিদা লৈতনা, কনা খঙদা নায়তোম শিবা তারি ঐ.. কয়াদা অৱাবগী মশক্লো'!

নীংশিংসি-মীওইবগী পুন্সি, করিসু নত্তে 'পার্টনরসিপ'নি। অফবা মীওইবা অমা ওইবা (বিইং এ গুদ হ্যুমেন বিইং) হায়বসি, মাঙলোমদা অনৌবা ভিজন অমা থম্লগা, নাক-য়েৎতা লৈরিবা অচুম্বসি মশক খঙলগা, তুংদা লৈহৌরিবাময়াম্বুসু খুৎশম্নদুনা পুবই ৱাখল চেনবা মীদুনি। ঐখোয়না থিরিবা লুচিংবদুসু মহাক্লি।

লৌশিং পুক্কে

# কোরোনাভাইরসনা ঈ ফমজিনহল্লিবা করিগীনো? -২


ন্যু ইংলেন্দ জর্নেল ওফ মেদিসিনদা ফোঙখিবা ষ্টদি অমদা কোভিদ-১৯ নারগা শিবা মীওই ৭কী লংসকা ঐচ ১ এন ১ নারগা শিবা মীওই ৭কী লংসকা চাংদম্নখি।

মদুদা ঐচ ১ এন ১ নারগা শিবা মীওইশিং অদুগী লংসতা য়াওরম্বা ফমজিল্লবা ঈ (ঈ অশিবা) গী চাং অদুগী শরুক মাপল হেন্না কোভিদ-১৯ নারগা শিবা মীওইশিং অদুগী লংসতা য়াওরম্বা রিসার্ছরশিং অদুনা থেংনখি।

ঈ ফমজিনবদগী ওইরকপা অতৈ কমপ্লিকেসনশিং

কোভিদ-১৯দগী ওইরকপা কমপ্লিকেসন কয়া অমদি লায়না অসিনা নারবা মীওইশিংদা কা হেন্না ঈ ফমজিনবগী থৌওংনা ওইবা য়াই।

রিসার্ছনা উৎলি মদুদি, ঈ ফমজিনবগী চাং ৱাংবা কোভিদ-১৯না নারবা মীওইশিংদনা লায়না অসিনা নারবা অতোপ্পা মীওইশিংদগী অনাবগী ফিভম শোকচিনবা হেল্লি।



ইন্টেন্সিব ক্যের য়ুনিট (আই সী য়ু) দা লায়েংবা মথৌ তাবা য়াবগী চাংসু মখোয়শিং অসিনা হেল্লি।

ঈ ফমজিনবদগী ওইহল্লকপা য়াবা কমপ্লিকেসনশিংদি:

ষ্ট্রোক: ফমজিল্লবা ঈ (ব্লদ ক্লোট) অমনা ব্রেনগী মনুংদা নৎত্রগা অকোয়বদা য়াওবা আর্টরি অমা ফুঞ্জিল্লবদি মদুনা ষ্ট্রোক তৌহন্নবগী মচাক অমা ওইবা য়াই।

প্রিলিমিনরি ওবজার্বেসনল ষ্টদি অমনা উৎলি মদুদি ষ্ট্রোককী অতোপ্পা রিস্ক ফেক্টর অমত্তা লৈতবা কোভিদ-১৯না নারবা নহাশিং, লায়না অসিগী সিমটোম অমত্তা উৎতবা ওইরফাওবদা ষ্ট্রোক তৌবা য়াবগী রিস্ক হেনগৎলকই।

মশাগী চহী ৭০/৮০ হেল্লবা মীওইশিংদা তৌগনবা ফিভমদা মশাগী চহী ৩০/৪০/৫০ হেনবা মীওইশিংদসু ষ্ট্রোক তৌবগী খুদম উবা ফংই হায়নসু রিসার্ছশিং অদুনা রিপোর্ট তৌরি।

হার্ট দেমেজ: আর্টরিশিংদা ব্লদ ক্লোট অমা য়াওবনা মরম ওইরগা হার্ট এটেক নৎত্রগা অতোপ্পা কার্দিয়াক ইস্যুশিং থোকহনবা ঙমই। চাইনাগী ৱুহানগী হোস্পিটালদা লৈবা কোভিদ-১৯গী পেসেন্ট ১৮৭দা চথখিবা ষ্টদি অমগী মতুংইন্না পেসেন্টশিংগী চাদা ২৭.৮দা হার্ট শোকচিল্লকপা থেংনখি হায়রি।

পলমনরি এম্বলিজম: লংসতা চঙখিবা ব্লদ ক্লোটশিংনা পলমনরি এম্বলিজম থোকহল্লি, মসি মী শিনিংঙাই ওই। খুদক্তা লায়েং চথহৌরবদি শিবগী রিস্ক হন্থহনবা ঙমই।

দীপ ভ্যেন থ্রোম্বোসিস: দীপ ভ্যেন থ্রোম্বোসিস (দি ভী টি) অসি খোঙ নৎত্রগা খূৎনচিংবা হকচাংগী মফমদা য়াওবা ভ্যেনগী মনুংদা চঙশিল্লগা ব্লদ ক্লোট ফোর্ম তৌবা মতমদা ওইরকই। ওটোপ্সি ষ্টদি তৌবদা কোভিদ-১৯ নারগা শিবা মীওইশিংগী চাদা ৬০ রোমদা দি ভী টি লৈরম্বা থেংনখি। দি ভী টি অসি লায়েংদ্রগদি পলমনরি এম্বলিজম, খোঙ-খূৎ ককপা নৎত্রগা শিবনচিংবা থোকহল্লি।

কিদনি দেমেজ: কোভিদ-১৯ য়াম্না কন্না নাবা মীওই খরা, লায়না অসি নাদ্রিঙৈ মমাঙদা কিদনি নাবা অমত্তা লৈখিদবা ওইরবফাওবদা কিদনি দেমেজ তৌবা হৌরকখি। করিগুম্বা কেস খরদদি কিদনি দেমেজ অসি য়াম্না ফিভম শোকপনা মরম ওইরগা দাইলাইসিস মথৌ তাবসু য়াওই।

ব্লদ ক্লোটশিংনা কিদনি দেমেজ তৌহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌই মরমদি অসিগুম্বা ফমজিল্লবা ঈ-শিং অসিনা কিদনিদা য়াওবা অকুপ্পা ঈ উতোংশিংবু ফুঞ্জিনহন্দুনা মখোয়গী মথৌ তৌবা ঙম্বগী চাং অদু হন্থহল্লি।

ব্লদ ক্লোট তৌবগী রিস্ক হেনগৎহনবা ফেক্টর কয়া লৈ, মখোয়শিং অদুগী মনুংদা- মশাগী চহী অহল ওইবা; হকচাংগী অৱৃম্বা হেনবা; হাইপরটেন্সন লৈবা; দাইবেটিস নাবা; হার্ট ফেলিয়রগী খুদোংচাদবা লৈবা; ব্লদ ক্লোটিংগী রিস্ক হেনগৎহনবা হীদাক-লাংথকশিং শীজিন্নবা; মতম শাংনা হকচাং লেঙ ওৎতনা লৈবা খুদম ওইনা ফমুংদা হীপ্তুনা পোত্থারগা লৈবা; সর্জরি তৌবা; মৈখু শীজিন্নবা; মশাদা নৎত্রগা ইমুংগী মীওইশিংদা বি ভী টি নৎত্রগা পলমোনরি এম্বলিজমগী হিষ্টরি লৈবা; ব্লদ ক্লোট দিসওর্দর লৈবা অসিনচিংবশিং য়াওরি।

ঈ ফমজিনবা লায়েংনবা নৎত্রগা মসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক ঈ মহী লাঙথোকহন্নবা হীদাক-লাংথকশিং দোক্তরনা প্রিস্ক্রাইব তৌরকপা য়াই। ঈ ফমজিনবগী রিস্ক হন্থহন্নবগীদমক হায়রিবা ট্রিটমেন্ট অসি অনাবা মীওই অদুনা হোস্পিটালদা লৈরিঙৈদগী হৌরগা দিসচার্জ তৌরবা মতুং চয়োল অনী ফাওবা চথবা য়াই।

অদুমওইনমক ব্লদ থিন্নর (ঈ মহী লাংথোকহন্নবা হীদাক) শীজিন্নবনসু অমুক ঈ থোকপগী রিস্ক হেনগৎহল্লি, মসিনা মরম ওইরগা রিস্ক ৱাংবা পেসেন্টশিংগীদমক্তদি মসি চান্নদবা অমা ওই। কোভিদ-১৯ না নারবা, মেকানিকেল ভেন্টিলেসন হাপ্তুনা লৈবা মীওইশিংগী মরক্তা ব্লদ থিন্নর শীজিন্নবা মীওইশিংনা শীজিন্নদবা মীওইশিংদগী শিবগী চাং নেম্মী হায়বা রিপোর্ট খরদি লৈ।

রিসার্ছরশিংনসু অনৌবা থেরাপিশিং চাংয়েং তৌদুনা ব্লদ ক্লোট তৌহন্দবা অমদি লায়েংবদা মতেং পাংনবা হোৎনরি।

সাইন্টিষ্ট খরনা য়াম্না কন্না নারবা মীওইশিংদা ব্লদ থিন্নরগী ষ্টেন্দর্দ দোজগা অৱাংবা দোজগা চাংদম্নদুনা চাংয়েং চথরি। অতোপ্পা সাইন্টিষ্টশিংনা টিস্যু প্লাজমিনোজেন এক্টিবেটরনচিংবা হেন্না অকনবা মখলগী হীদাক লাংথকশিংগী ইফেক্টশিং চাংয়েং তৌরি।

## চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাং পীখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯গী লুরবা লাইচৎসিদা চোকথবা নাইদনা মীয়ামগী থৌগল তৌরিবা মীদিয়া পর্সনশিংগী মরক্তা খঙহৌদনা মণিপুরগী মীদিয়া হাউস অমা ওইরিবা টোম টি ভিগী ষ্টাফ অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা য়াওরকপদগী ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈরিবা টোম টি ভিগী ষ্টাফ ১৪গীদমক সেলিন দিজিটেলগী প্রদ্যুসর ফাঞ্জৌবম লনাজিৎকী লুচিং মখাদা প্রদক্সন হাউস অসিগী এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংগা লোয়ননা ঙমজবা চেঙ, হৱাই, অচাথাউ, বিস্ক্যুইট, ফেস মাস্ক, সেনিটাইজর অমদি মনা-মশিং তেংবাংখ্রে।

সেলিন দিজিটেলগী প্রদ্যুসর ফাঞ্জৌবম লনাজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি তেংবাংখিবা অসি সেলিন দিজিটেলগী ঙমজবা খরদং হায়বা থৌরমগী মখাদনি। ঐখোয়না মণিপুরগী লৈঙাক্কী এস ও পি অমদি দল্লিয়ু ঐচ ও, আই সী এম আরগী গাইদলাইনশিং ঙাক্লবদি তমথীরবা কোভিদ অসিবু মায়থীবা পীবদা লাইনা থোক্কনি। লাইচৎ অসি গভর্ণমেন্ট খক্তনা মুথৎপা ৱাগনি। মসিদা মীয়াম ঐখোয়গীসু অচৌবা থৌদাং লৈ হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

### হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি



**চিঙ্গাংবম নবচন্দ্র, অৱাং পোৎশংবম খুনৌ**

লমদম অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মশীং নোংম-নোংমগী লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকপগা লোয়ননা শিবগী চাংসু হেনগৎলক্লি। লৈঙাক্লসু লায়না-লাইচৎ অসিবু লাকশিন্নবা হায়দুনা মতম-মতমগী ওইবা চেকশিন থৌরাং কয়াসু লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলি। লোকদাউনগী অচৌবা চৈথেং ফংলবা মীওইশিংগীদমক্তসু লৈঙাক্লা অনৌবা স্কিম অমদি লোন কয়াসু পীবিরি। অদুবু অরুবা লায়নাগা (কেন্সর) লোইনদুনা লোকদাউনগী চৈথেং মরক্তা হিংলিবা লৈঙাক্কী থবক তৌহৌদ্রবা লায়রবা মীওইশিং লেবর দিপার্টমেন্টদা থাদখিবা মেদিকেল বেনিফিট স্কিমগী শেনফমদি হৌখিবা চহীদগী ঙসি ফাওবদা পীবিদ্রে অমদি য়েংশিনবিবা হায়বদুসু ওইদ্রে। মরম অদুনা লৈঙাক্কী থবক তৌহৌদ্রবা অরুবা লায়নানা নাদুনা লৈরিবা লায়রবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগীদমক খনবিদুনা অথুবা মতমদা লৈঙাক্লা পীবিবা মেদিকেল বেনিফিট স্কিমগী ফন্দবু থাদোকপীদুনা অনাবশিংগী পুন্সিবু কনবিদুনা মতম খরদংদি হিংহনবিয়ু হায়না মরি লৈনবশিংগী মফমদা হায়জরি। লৈঙাক্লা হীরম অসিগী মতাংদা অথুবা মতমদা থবক পায়খৎপীদ্রবদি অরুবা লায়নানা নাবা মীওইশিংগী পুন্সি হিংবদা অৱাবা অমা ওইবতা নত্তনা শিবা ফাওবা য়াওশিল্লক্লগনি। হীরম অসিগী মতাংদা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবিয়ু।



**খুন্দোংবম লোয়াঙম্বা, হৈরোক**

কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা ৱাবা খক নত্তনা মীওই কয়াগী পুন্সিদা থবক কয়া তৌগে খন্না চহী কয়াদগী মঙজরকপা মঙলানশিং মঙফাওনহনবদা থিন্থবা হায়বদু থোক্লে। হীংদবদি য়াদবনিনা থবক শুফম নোমফম লৈতবনা তুংশিঞ্জরম্বা য়ামদ্রবা শেলফমশিংসু লোয়শিনখ্রে। লায়না-লাইচৎ অসিনা অৱাবদা অমুক অৱাবা হাপচিনবা হায়বদু থোক্লে। য়ারিবমখৈ লৈবাক মীয়াম্না লায়না অসি পাকশন্না শন্দোরকপা থিংনবা য়াম্না চেকশিনবগী মথৌ তাই। লায়না অসিগী মহীক মতৌ করম্না হকচাংদা চঙহল্লোইদগে হায়বগী মতাংদা লৈঙাক্লা শেল্লিবা চৎন-কাংলোনশিং ঙাক্লা চৎপা তঙাইফদে। লায়না অসি অদুমক মখা তানা শন্দোরক্তুনা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা অদুমক লৈরগদি অৱাবগী মশক নোংম-নোংমগী অসুম হেনগৎলক্কদৌরি। লোয়ননা লায়না-লাইচৎ অসি হেক লৈরিবা মখৈদি থবক শুফম নোমফম অমদি তৌগদবা থবকশিং পূম্নমক য়াদবনা মরম ওইদুনা লৈখা তারক্লবা পুন্সি অমগী মহীংদা হিংবা নত্তনা উপায় লৈরোই। মীওই খরা খক্তনা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবনা মায়পাকপা ৱাগনি। অৱাবা পূম্নমক অসিদগী কন্ননবা লৈঙাক অমদি মীয়াম পুন্না লায়না অসি অথুবা মতমদা ঙাকথোক্লবা হোৎনমিন্নসি হায়জরি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৮।০৮।২০২০ ইং, ইরাই; অয়ুক পুং ৮.৩৮ ফাওবা লাংবনগী ১০ নি পাল্লি, মতুংদি ১১নি পাল্লনি।

**মেষ :** মখল মথেলগী অফবা অমদি নুংঙাইবা ফংগনি। লৌশিং চাওই অমদি য়েৎনবদসু মায় পাক্কনি। হোয়া ফবা অমদি মরুপ-মপাংগী মতেং লৌবদি মাঙজগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** থেংলপ্না নুংঙাইবা ফংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা

**বৃষ :** মীয়ামগী মতেং নত্তনা অরুবা থৌরম অমত্তা পাংবা ঙম্লোই অদুনা মীয়ামগা তোৎনবা অমদি মখোয়না য়াবা থবক পাংউ। অনা-অয়েক কোক্কনি। অনমদি তানগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নুংশিবনা লুনা তৌবী।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক

**মিথুন :** হৱাওবা, লাইবক ফবা, মীকোক থোংবা, পাইরক্কী লৌশিং লৈবা অমদি মীংচৎ ফংবা শুনা লৈবা নুমীৎনি। অপাম্বা থবক্তা খূৎচাও থাবা মতাং চাবা নুমীৎনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নীংজবা থুংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা

**কর্কট :** হকচাং নুংঙাইরে, মীচং লৈরে, নচা-ননাই চাওখৎপা অমদি থৌনা ফুদোক্লা থৌ পাংবা ঙমজবা নুমীৎনি। চীন্দদি য়াংগনু- নরল ময়েং তাবা য়াবা লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নীংজবা থুংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস

**সিংহ :** হোয়া ফবা অমদি নাপল তৌবদং থাদোকউ। পাউ নুংঙাইবা তাবা, থাজদনা ওইজবা ফংবা অমদি নক্লবতা নত্তনা মীয়ামগী মতেংনা শেল থুম্নচিংবা কান্নবা ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** মরী হান্নগুম ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা

**কন্যা :** নাইতোম থৌ পাংগনু অমদি মীতোপকী ৱা লৌগনু। নোল্লুকপা অমদি অশাওবা ফাথবনা লম্ খূদিংদা মায় পাকই হায়বা কাউগনু। নচাক নরলদি হেনগৎকনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নুংশি মরীদি ফরি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ /চিনি অঙাংবা

**তুলা :** য়েৎনবা অমদি ফিংববু য়াওদ্রবা কনানসু লাকচবা ঙম্লোই। নুংঙাইবা মফম ফংজবা, থবক্কী নুংঙাইবা পাউ তাজবা অমদি অঙম্বনা চানবীবা নুমীৎনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** ঙাংথোকপদা মী শুমগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক

**বৃশ্চিক :** লৌশিংদি খরা ৱাৎলি- নচা ননাই অমদি অঙম্বনা নরলদা মীতাবা লৈ। পাঙ্গল অমদি থৌনা ফুদোক্লা থৌ পাংবা য়াবা, মরুপ্না য়াবা, মীংচৎ ফংবা নুমীৎনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** লাইবক ফবা খরা ৱাৎলি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা

**ধনু :** হৱাওবা, শেন্দোং চাওনা ফংবা অমদি য়েক্লবশিংবু লাকশিনবা ঙমজবা নুমীৎনি। অদুবু অঙম্বগা মুক্লবা অমদি মীতোপ থাজবনা মাঙবা হেনগদবা নুমীৎনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক

**মকর :** পূক্লিং ফাথৌ, চরাংগনু, খুৎ চাওগনু অমদি ফিংগনু। নথক থোংবগী ৱা তাবনা মায় পাক্কনি অমদি হান্ননা নীংথিনা পোরম য়াৎথোকপা থৌরমতমক পাংউ।
**লৈশা পাখংশিংগী :** হায়নিংবা লৈরসু ঙাইখো।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা

**কুম্বা :** য়েৎনবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা খরা ৱাৎকনি-খাঙবা কল্লু। লৈফম নুংঙাইবা, মরু ওইবা থবক পাংবা অমদি শেন্দোং তানবা থবক্তা মায় পাকপা লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নীংজবা ফংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক

**মিন :** মরুপ-মপাংগী মতেং লৌবা কান্নগনি, খূরৌ থাংবা ফরে অমদি থিজিনবা কনবৈ অফবা মহয় ফংগদবা নুমীৎনি। কাইনবগী নুংঙাইতবসু লৈ। মীতোপ লোয়ননু।
**লৈশা পাখংশিংগী :** লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

## অৱাবা

*থৱান*





*Thawan is a poet and musician from Imphal.*